**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মনিপুরদা ৬০ শুবা চাক্লাম খোঙচৎ, হঙ্গর মারচেস ডে ঙসি পাঙথোকখ্রে।

২) রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি- চাওখৎপগী মাইকৈদা চংশিন্নবা অমনা অমবু থাজনদবা ৱাখল্লোন থাদোক্লশি।

৩) নুপী মচা অমবু ইকায় খুমবা মাংহনবীখি হায়বা থৌদোক্কা মরী লৈননা ঙসি ফাষ্ট ট্রেক্ট স্পেসিয়েল কোর্টনা মীওই অনি মরাল লৈরে হায়না রাই তাখ্রে।

৪) কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা প্রাইম মিনিষ্টর ষ্ট্রিট ভেন্দরস আত্মা নিরভর নিধি (পি.এম.সভানিধি) স্কিম নৌনা শেমদোক শেমজিন তৌবদা অয়াবা পীখ্রে।

অমসুং

৫) ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- লৈবাক অসিনা শান্তিগী ৱাখল্লোনদা থাজবা থল্লি, অদুবু শিংনরক্লবদি চপ চাবা পাউখুম পীগনি।

------

ডেঃ মনিপুরদা ঙসি ৬০ শুবা হঙ্গর মারচেস ডে, চাক্লাম খোঙচৎ পাঙথোকখ্রে।

মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী পিশুম চীংঙামচাদা লৈবা মেমোরিএলদা পাঙথোকখি। অয়ুক অঙনবদগী হৌনা য়াকাইরোল শকপা অমদি লৈখিদ্রবশিংগী

মফমদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। মফম অসিদগী মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎশিং দি.এম. কলেজ ওফ আর্টসকী গ্রাউন্দ অমদি ইম্ফাল কলেজ ফাওবা চৎনখি। তুংদা, মফমশিং অদুদা মীয়ামগী মীফমসু পাঙথোকখি।

নীংশিংবা য়াই, ইং কুমজা ১৯৬৫ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মনিপুরদা খুৎশেমগী চেং তাংবগা মরী লৈননা মহৈরোইশিংনা খোঙজং চংশিল্লকপদা মীওই মরি লৈখিদবনি। খোঙজং চংশিল্লিবা মীয়ামবু নমথনবা হোৎনবদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা নবাকুমার, নিলামনি অমসুং প্রমোদিনি থৌদোক থোকফম অদুমক্তদা লৈখিদবনি। অদুগা থৌদোক অদুদা শোকখিবা লাইশ্রম চাউভলনা কোন্না লৈখিদবনি।

জিরিবামদসু পালন থৌরম ঙসি আর.কে. সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়দদা পাঙথোকখি। মহৈরোইশিংগী খোঙচৎ অমা চৎলবা তুংদা স্কুল অসিদা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখি।

সনাজাউবা (এল)ঃ  রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি-চাওখৎপগী মাইকৈদা খোঙ থাংজিনবদা অয়েৎ অপন লৈতনবা অমনা অমবু থাজদবগী ৱাখল্লোন থাদোকপা তঙাইফদে।

ৱাফম অসি ডাঃ বি.আর. অম্বেদকরগী ১৩৪ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা চহি অমা চুপা পাঙথোক্কুনা লাকপা থৌরমগী মনুং চন্না দলিত সাহিত্য একাদমি মণিপুরনা জাতি অমদি অন্তরজাতিগী থাক্তা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা মনা ফংলকখ্রবা মীওইশিং ওকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়- চাওখৎপা অমদি তংদু লৈতাবা লমদম অমা ওইহনগে হায়রবদি ঐখোয়গী লৈবাকপু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা তঙাইফদে। কনাগুম্বা অমনা অফবা থবক তৌবা মতমদা মদুবু ঐখোয় পুমমকা পুকিং থৌগৎপীগদবনি। য়ারিবা মখে অমনা তৌবা থবক্তা অমনা শিংথাদবগী ৱাখল্লোন থাদোক্কুনা মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোনদা মাংলোমদা চংশিনগদবনি।

ফিলম (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতি (এম.এফ.দি.সি)গী সেক্রেতরি শঞ্জু বচসপতিময়ুমনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নদুনা হৌজিক মণিপুরগী ফিলমবু চাওখৎহন্নবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা পাউদমখ্রে। উন্নবা অদুদা সেক্রেতরি অসিগী মাইকৈদগী মণিপুর ষ্টেট ফিলম এৱার্দকী শেম শারিবা অমদি অনিসুবা ঐখোয়গী ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেলগী হৌজিক ফাওবা পিথোক্তনা লৈরিবা শেনফমশিংগী মতাংদসু রাজ্যপালদা থমখি হায়রি।

মহৈরোই (এল)ঃ নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্ট প্রোগ্রাম ফোর এৱারনেস, রিটস এন্দ নোলেজ ওন স্পেস (এন.ই-স্পার্ক্স) ২০২৫ দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী খনগৎলবা মহৈরোই ১৩ ঙসি বেঙ্গলুরুগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মহৈরোইশিং অসিনা ঙসিদগী হৌরগা ওগষ্ট ৩০ ফাওবা বেঙ্গলোরদা লৈবা ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো)গী হেদক্বাটরদা চত্তুনা সাইন্তিষ্টশিংগা উন্নগনি অমদি ওর্গনাইজেসন অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং হকথেংননা য়েংগনি।

বিজেপি (এল)ঃ বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী নিতাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা মরৈবাক মরমদমগীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংবু নিংশিংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। চহি খুদিংগী লাংবন থাদা পাঙথোকপা থৌরম অদুগা মরী লৈননা দল অসিগী মণিপুরগী প্রসিদেন্ট আধিকারিময়ুম সরদা দেবীনা হায়- ঙসিগী মীরোলনা নুংঙাইনা লৈরিবা অসি লাইওইখ্রবা অথৌবা ইপা ইপুশিং অদুনা থৱায় থাদোকপা পামুদনা লৌরমখিবা থৌদাংশিং অদুগী মহয়নি হায়বসি ঐখোয় পুমমকা কাউরোইদবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈবাক নিংবা শৈরেং চাংদমবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। মদুদা ক্লাস নাইনদগীনা তুয়েল্ব ফাওবদা লৈবা মহৈরোই ৪৩ অমদি ওপন কেটাগোরিদা মীওই ২৯ না শরুক য়াখি।

পোক্সো (এল)ঃ	চহি নৌরিবী নুপী মচা অমবু ইং কুমজা ২০১৯ দা হঞ্জিন হঞ্জিন্না ইকায় খুমবা মাংহনবীখি হায়বা থৌদোক্কা মরী লৈননা ঙসি ফাষ্ট ত্রেক্ট স্পেসিয়েল কোর্টনা মীওই অনি মরাল লৈরে হায়না রাই তাখ্রে।

কেস অসিগী অরোইবা হিয়ারিং হৌখিবা ওগষ্ট ১ দা চথুখিবগা লোয়ননা ঙসি ফাষ্ট ত্রেক্ট স্পেসিয়েল কোর্ট নম্বর ৱানগী স্পেসিয়েল জর্জ পোক্সো-আর.কে.মেমচা দেবীনা রাই অদু তাখিবনি। মদুগী মতুংইন্না নুপী মচা অদুগী পোক্তবা মপা অদুনা চথুখিবা থৌওং অদুবু প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন সেক্সুয়েল ওফেন্স শমা পোক্সো এক্ট ২০১২ গী সেক্সন ১০ গী মখাদা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখি। লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নৈ হায়বা অতোপ্পা নুপা অমবুনা মঙোনদা শিরিবা মরালশিং অদুগী চপ চাবা প্রমান ফংদবনা মহাক্কী জামিনগী বোন্দগী শেনফম অদু কোকপীখি।

অমরোমদা, নুপীমচা অদুদা চথুখিবা থৌওংশিং অদুগী মতাংদা খঙনা খঙনা মরী লৈনবশিংদা মতম চানা ৱাকৎতবগীদমক নুপীমচা অদুগী অপোকপী মমা অদুবুনা পোক্সো এক্ট ২০১২ গী সেক্সন ২১ গী মখাদা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখি। মীওই অনি অদুনা চথুখিবা অরানবশিং অদুগা মরী লৈনবা চৈরাক পীনবা হিয়ারিং চথুরগনি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী মনুং চন্না লৈবা বুৱান-রুৱাং তৌদাইজাং খুলদা ঙসি অয়ুক এন.এস.সি.এন (আই.এম)নি চিংনবশিংগা জেদ.য়ু.এফনি চিংনবশিংগা নোংমৈ কাপখ্রে।

ঐখোয়গী নোনে জিলাগী পাউমী অগুই কামৈনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৯ মিনিত ৪০ রোম তাবা মতমদা নুঙবা পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা খুল অদুদা থোকখিবনি। নাকল অনিগী মরক্তা পুং অমরোম নোংমৈ কাপখি। অদুবু থৌদোক অদুদা অশোক অপন য়াওবগী পাউ লৈতে।

অমরোমদা, রোংমৈগী নুপীশিংনা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা খোঙচৎ অমা চৎখি। মদুদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা মীহাৎ মীপুন, মীশি মীনা

য়াওবা য়াবা থৌদোক অমত্তা মখা তানা থোকহনগনু হায়না দাবী তৌখি।

মোরোক (এল)ঃ ১৪ রক শুবা হথৈ ফনিৎ হায়না খঙনবা সিরা রাখোংগী মোরোক্কী কুম্ন্থে মথং থাগী ১৬ তগী হৌরগনি। উখ্রুল জিলাগী সিরা রাখোংদা ফংবা মোরোক্কী কুম্ন্থে অসি নুমিৎ হুমি চুপা পাঙথোক্কনি।

কুম্ন্থে অসি হৌদোকপগী থৌরমদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি। ৱাফম অসি সিরা রাখোং হথৈ (চিল্লি) প্রমোসনেলগী চেয়ারমেন নিমাজ্ই জিমিকনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- কুম্ন্থে অসিগী অহৌবা নুমিৎতা বায়র অমদি সেল্লর মিট পাঙথোক্কনি। অনিসুবা নুমিৎতনা জগোই ঈশৈ য়াওনা নাৎকী ওইবা থৌরমশিং পাঙথোক্কনি অমসুং হুমি চনবা অরোইবা নুমিৎতা খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা, হথৈ ফনিৎ অসি পাঙথোক্ত্রিঙৈ মমাংদা খুঞ্জাশিংনা মোরোক অশাংবা মখল অসি য়োনফম লৈতবগী অৱাবা মায়োকরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি কুম্ন্থে অসি পাঙথোকপা হৌরকপদগী মীয়ামা মোরোক অসিবু পামবা হেনগৎলক্লে। মীয়ামগী অপাম্বনা হেল্লক্তুনা পোথোক পুথোকপগী চাং হেনগৎপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না সিরা রাখোং হথৈ (চিল্লি) প্রমোসনেলগী এক্কাউন্টেন্ট বসাই জিমিকনা ফোংদোকখি। হিরম অসিদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংবীদুনা পোথোক হেনগৎনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা নুমিৎ হুমি চুপা চত্থগদবা মহৌশাগী পোথোকশিংনা ফি মচু শংবগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী হৌখ্রে। তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজনগী ওফিসতা পাঙথোকপা ট্রেনিং অদুদা পুন্না মীওই ৪৫ না শরুক য়াখি। রাইজিং এন্দ এসেলরেতিং ওফ এম.এস.এম.ই হায়বা স্কিম অসিগী মখাদা পাঙথোকপা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা তমেংলোং, তামৈ অমদি তৌসেমগী রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসারশিং শরুক য়াখি। ট্রেনিং অদুদা শরুক

য়াখিবা মীওইশিং অদু অয়াম্বদি থারোন, কৈকাউ অমদি ওল্ড তমেংলোংনচিংবা ইকো তুরিজমগা মরী লৈনবা খুলশিংদগীনি।

আরপিআই (এল)ঃ পিপলস য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিবর্তিজ (পি.য়ু.সি.এল)গী ইন্দিপেন্দেন্টস পিপলস ত্রাইবুনেলনা মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা ফোংবা রিপোর্ট অদুগী মায়োক্তা আর.পি.আই (অথৱালে) মণিপুর ষ্টেটনা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা এফ.আই.আর রেজিষ্টর তৌখ্রে।

এফ.আই.আর রেজিষ্টর তৌরবা মতুংদা পাউমীশিংগা উন্নবদা আর.পি.আই ষ্টেট য়ুথ কমিতিগী প্রসিদেন্ট সিতলনা পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্ট অদু নাকল নামা খক্কী ওইবা, মীচং মীখায় নাইবা অমদি থোক্লিবা ইরাং অসিগী হৌরকফম ময়েক শেংনা পনদনা ফুরুপ অমবু অরানবা তাহন্নবা হোৎনবনি। পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্ট অসিগী মতাংদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম.এল.এশিংনসু মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোন ফোংদোকপা তঙাইফদে হায়খি।

অমরোমদা, মণিপুর পিপলস পার্তিনা পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্ট অদুগী মায়োক্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী এস.পিদা ৱাকৎ অমা থাংগৎখ্রে। ৱাকৎ অদুগী মতুংইন্না পি.য়ু.সি.এলনা ফোংলিবা রিপোর্ট অদু নাকল নামাগী ওইবা রিপোর্টনি। মসিনা মরম ওইদুনা ফুরুপ অমবু মালেমগী মীয়ামা লান্না উহল্লে হায়রি।

কবি (এল)ঃ মহিলা কাইব্যা মন্স মণিপুরনা থা খুদিংগী চথুরকপা শৈরেং শৈদিন্নবগী ১৭ শুবা কবি সমেলন ঙসি লোইশিনখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল লৈকাইদা লৈবা দোসুয়ালি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরমদা নুপী কবি কয়ামরুম য়াওনা কবি কয়ানা শরুক য়াখি।

রেড ক্রোস (এল) ঃ দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইতেদ ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসন হৌদোকখিবগী ৩০ রক শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা

নম্বোল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ফার্ষ্ট এইদ পীবগী মতাংদা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চকী থৌমীশিংনা মহৈরোইশিংদা ফার্ষ্ট এইদ করমা পীগনি হায়বগী মতাংদা তাকপী তম্বীখি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট লিটরেসি মিসন ওথোরিতি বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা নিউ ইন্দিয়া লিটরেসি প্রোগ্রামগী ওজাশিংগী ত্রেনিং অমা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি জিলা অসিগী দি.সিনা হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দি.সিনা হায়- মহৈ মশিং তম্বা হায়বসি লোইবা নাইদে। অফবা সমাজ অমা শেমগৎনবগীদমক মীওই খরা খক লাইরিক হৈবনা য়ারোই। মীপুম খুদিংমক ইবা পাবা ঙমহনগদবনি।

স্কিম ঃ প্রাইম মিনিষ্টর ষ্ট্রিট ভেন্দরস আত্মা নিরভর নিধি (পি.এম.সভানিধি) স্কিম নৌনা শেমদোক শেমজিন তৌবদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে।

ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা লোন শিংবগী মতম হান্না পীখিবা ২০২৪ গী দিসেম্বর ৩১ দগী ২০৩০ গী মার্চ ৩১ ফাওবা শাংদোক্লে। মসিদা পুন্না লুপা কোতি লিশিং ৭,৩৩২ সরকারনা খরচ তৌগনি। নৌনা শেমদোক শেমজিন তৌরবা স্কিম অসিদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা পীবা লোনগী শেনফম অহানবা লৌবদা লুপা লিশিং ১০ ওইরম্বা অদু লুপা লিশিং ১৫ দা হেনগৎলে। অনিসুবা লৌবা লোন হান্না লিশিং ২০ ওইরম্বা অদু লিশিং ২৫ দা হেনগৎলে। অহুমসুবগী ওইনা লুপা লিশিং ৫০ দা অদুমক লৈরি। স্কিম অসিনা লৈবাক অসিগী ষ্ট্রিট ভেন্দর কোতি ১ লাখ ১৫ দা কান্নবা পীনবা পান্দম থল্লি। মসিদা অনৌবা ষ্ট্রিট ভেন্দর লাখ ৫০ য়াওরি। অহুমসুবা লোনগী শেনফম মতম চানা শিংগৎলকপা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা য়ু.বি.আই লিঙ্ক তৌরবা রুপে ক্রেদিৎ কার্দ পীগনি। মসিনা মখোয়না লল্লোন ঈতিক তৌবদা খুদক খুদক্কী ওইনা অচিনবা শেনফম লৌবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরগনি। স্কিম অসি সরকারনা ইং ২০২০ গী জন্ ১ দা হৌদোকখিবনি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- লৈবাক অসিনা শান্তিগী ৱাখল্লোনদা থাজবা থম্লি, অদুবু শিংনরক্লবদি চপ চাবা পাউখুম পীগনি। মালেমগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা করম্বা মতম লান থোক্কনি হায়বা তম্বা ঙমদবনা আর্মদ ফোর্সশিংনা সেক্যুরিতি শিংনবা খুদিংমক থেংননবা শেম শাদুনা লৈগদবনি।

ৱাফম অসি শ্রী রাজনাথনা মধ্য প্রদেশতা লৈবা আর্মি ৱার কলেজদা পাঙথোকপা রন সম্বাদ থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- লৈবাক্কী ঙমখৈ পরিং অসি লান্মী খক্তনা ঙাকবা হোৎনবা নত্তে, লৈবাক অসিগী বৈগ্যানিকশিংনা অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোক্তুনা ইন্দষ্ট্রিশিংনা খুৎশু খুৎলায় কয়া শাবগী লোয়ননা পুন্না ঙাকমিন্নরিবনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী মীয়াম অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা মাঙলোমদা চংশিনগদবনি। মসিনা ইং ২০৪৭ তা লৈবাক অসিনা থম্লিবা পান্দম অসি মঙফাওনবা ঙমগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

টিটি ঃ দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসন ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা ৩৭ লক শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট ইন্তর ক্লব অমসুং ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ ঙসিদগী দি.এম. য়ুনিভর্সিতি কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা জিলা ৬ অমদি য়ুনিত ১ দগী লাকপা শান্নরোই পুন্না ১৯৮ না শরুক য়ারি।

থা অসিগী ৩১ ফাওবা চথুগদবা চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা, মণিপুর টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসন প্রসিদেন্ট হিদংময়ুম দেবসেখর অমদি দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসন ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রসিদেন্ট অকোইজম বিজোয় শরুক য়াখি।

ইজকেসন ঃ ইজকেসন (এস) বিভাগনা শিন্দুনা থা অসিগী ২২ দগী চথুরকপা নুমিৎ ৬ নিগী ওইবা মুকা অমদি থাং-তা ৱার্কসোপ কম রেসিদেন্সিয়েল কোচিং

কেম্প ২০২৫ ঙসি লোইশিনখ্রে। কেম্প অসিদা ক্লাস সিক্সতগী আইট ফাওবদা লৈবা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলা ৭ তগী লাকপা নুপামচা মহৈরোই ১০৫ অমদি নুপীমচা মহৈরোই ৮০ পুন্না মহৈরোই ১৮৫ শরুক য়াখি।

ঙসি অরোইবা নুমিৎতা পাঙথোকপা কেম্প অসি লোইশিনবগী থৌরমদা য়ুথ এফ্যারস অমদি স্পোর্টস বিভাগকী দাইরেক্তর ময়েংবম ভেতোনা থাং-তা মশান্না অসি জাতিগী থাক্তা শান্নবা ঙম্লকপগা লোয়ননা মখা তানা মালেমগী থাক্তা পুখৎতুনা মশান্না অসিবু পৃথিবীগী লৈবাক পুম্বদা খঙহন্নবগী ৱাখল্লোনদা য়ুথ এফ্যারস অমদি স্পোর্টস মন্ত্রালয়গা তান্নদুনা পায়খৎপা য়াবা থৌরাং পায়খৎলি হায়না ফোংদোকখি।

ফুটবোল ঃ তমেংলোং ফুটবোল লিগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা বুলস য়ুনাইতেদনা তাপুৱাংচা এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে, বুলস য়ুনাইতেদকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জোয় থোইদামলুংনা মেটচকী অহুমসুবা মিনিটতা, গাইকাউলুং ৬৫ শুবা মিনিটতা অমদি কাদিথুৱাংনাংনা ৯০ শুবা মিনিতা চনখিবনি। হয়েং দব্লিউ.পি. ফুটবোল ক্লবগা দুইথানলুৱাং এফ.সিগা শান্নগনি।

------